# লানফম কয়াদা মায়থীবা নঙলক্লবা মতুংদা রসিয়ানা যুক্রেনগী সোলেদার টাউন লৌশিল্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রে

মোস্কো, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
যুক্রেনগী মরু ওইবা টাউন অমা ওইরিবা সোলেদার রসিয়ন ট্রুপশিংনা খুদুম চল্লে হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখ্রে।

অমরোমদা, যুক্রেননা ক্লেম অদুবু খুদক্তা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা লান কন্না শোক্লরি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ইষ্টর্ন যুক্রেনগী পাক শন্না মাঙ তাক্লবা টাউন অদু হৃদক যুক্রেনগী লানগী ইপিসেন্টর ওইরকখিবনি।

রসিয়ানা সোলেদার খুদুম চল্লে হায়না লাউথোরক্লিবা অদু থা কয়া লানফম কয়াদা মায়থীরক্লবা মতুংদা মোস্কোনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌবা অহানবনি। রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা সোলেদার টাউন লিভরেসনগী থবক জনুৱারী ১২ গী নুমিদাংদা মপুং ফাখি হায়না লাউথোকখি।

সোলেদার খুদুম চনবা অসিনা লমদম অদুদা হেন্না মায় পাকপা ওফেন্সিব ওপরেসন কয়া চথনবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়নসু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী ক্লেম অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা যুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী ইষ্টর্ন গ্রুপকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি যুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসনা অরুবা ফিভম কয়াদা মফম অদু মখা তানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। সোলেদার টাউন অসি মোস্কোনা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা লৌশিনখিবা যুক্রেনগী প্রোভিন্স মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা দোনেটস্ককী মনুং চন্না লৈদুনা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরিবনি।



মোস্কোগী ওইনদি দোনেটস্ক অমসুং য়ুমথংনরিবা লুহান্স প্রোভিন্স ক্রেমলিননা রসিয়াগী শরুক্নি হায়না লৌবগা লোয়ননা যুক্রেনগী লান অসিদা য়াম্না মরু ওইরকখি। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা পীবা এনাউন্সমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না সোলেদারবু খুদুম চনবা অসিনা রসিয়ন ফোর্সশিংবু বাকমুটতা যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংগী সপ্লাই লাইনশিং থদৎপা ঙমহনগনি অমসুং মফম অদুদা লৈরিবা যুক্রেনিয়ন যুনিটশিং থিংজিনবা অমদি কোইশিনবসু ঙমহনগনি।

অদুম ওইনমক যুএসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমা ওইরিবা ইন্সটিট্যুট ফোর ড ষ্টদি ওফ ৱারনা হায়রি, মদুদি রসিয়ানা সোলেদার পায়শিল্লি হায়রিবদু অচুম্বা ওইরবসু মিলিটরি ওপরেসনগী অখন্নবা মীৎয়েংদা মরু ওইবা দিভলপমেন্ট অমনি হায়না লৌনিংঙাই ওইদে। সোলেদার টাউন পায়শিনখিবা অদুনা রসিয়ন ফোর্সশিংবু বুকমুট লাইনা কোয়শিনবা ঙমহনগনি হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদে হায়নসু থিঙ্ক টেঙ্ক অসিনা ফোঙদোকখি।

থিঙ্ক টেঙ্ক অসিগী মতুং ইন্না রসিয়াগী মায়কৈদগী সোলেদার টাউন অসি কা হেন্না মরু ওইনা উহনবগুম তৌরি। মতম শাংনা রসিয়ন ফোর্সশিংনা যুক্রেনগী লানফম কয়াদা মায়থীবা নঙবদগী চোকথরক্লবা লান্মীশিংগী য়েংদুনা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা যুক্রেনগী দোনেটস্ক প্রোভিন্সকী ষ্ট্রেটেজিক টাউন অসিবু খুদুম চল্লে হায়না ক্লেম তৌরক্লিবনি।

অমরোমদা, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা পরিং নাইনা পোকখায়বগী মখোল কয়া তাখি হায়না এজেন্সিগী পাউনা হায়রি। পাউ অসিনা মখা তারদুনা পোকখায়বগী অহৌবা মখোলশিং অদু তাদ্রিবঙৈগী মমাঙদা সিটি অসি শীন থুংনা এয়র রেইদ সাইরেনশিং খোঙবগী মখোলসু তাখি হায়রি।

যুক্রেনগী প্রসিদেন্সিএল ওফিসকী দিপ্যুটি হেদ কিরিলো টিমোসেনকোনা টেলিগ্রাম পোষ্টতা কেপিটেল সিটি অদুগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা রসিয়নশিংনা মিসাইল এটেক লেপ্তুনা চথুরি হায়না ফোঙদোকখি।

# লিমাদা প্রোটেষ্টরশিংনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্নবা অমদি শিখিবশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

লিমা, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
পেরুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোগী সপোর্টরশিংনা কেপিটেল পেরুগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রসিদেন্ট দিনা বুলাউটেগী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্ট চথবা হৌখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্লবা তকশিন্দুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চয়োল কয়া চুপ্না লম্বী থিংজিনবা অমদি টয়ার মৈ থাবনচিংবা কয়া চথুরকপনি। প্রোটেষ্টশিং অদু হান্নগী প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু মফমদগী চিংথুখিবা মতুং থোরকখিবা শাথিরবা ভাইওলেন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪২ শিখ্রবা মতুং চয়োল কয়া কান্নরগা অমুক চথুরক্লিবনি।

পেরুদা চয়োল অসিদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী মনুং চন্না খ্বাইদগী শাথিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোকখি। হান্নগী প্রসিদেন্ট মফমদগী চিংথুখিবদগী প্রোটেষ্ট চথুরক্লিবদু থা অমা হেল্লক্লবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা হান্নগী প্রসিদেন্ট কাষ্টিলো নমদুনা মফমদগী চিংথুবগা লোয়ননা ষ্টেটকী মায়োক্তা লান হৌবগী মরাল শীদুনা ফাজিনখিবনি। অহুমশুবা ইম্পিচমেন্ট ট্রাইয়েল অমা লাকহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা কাষ্টিলোনা কংগ্রেস মুখৎনবা অমদি দিক্রি ইস্যু তৌদুনা লৈঙাক্লবসু হোৎনখিবনি।



পেদ্রো কাষ্টিলোগী সপোর্টরশিংদা পুলিসনা ফু চৈবা, নোংমৈ কাপ্পা অমদি মখোয়বু লাকশিন্নবগী অতৈ কা হেনবা থৌওং কয়া চথুখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি অরুবা তাঙ্কক অমা মায়োক্লরক্লিবনি। পুলিসকী ভাইওলেন্স অদুনা প্রোটেষ্টরশিংবু লাকশিনবগী মহুত্তা লৈবাক অসিগী হান্না ইরাং লৈরমদবা অতৈ মফমশিংদসু প্রোটেষ্ট অমসুং ব্লোকেদশিং শন্দোক্লবগী মরম ওইহনখি। চহী কয়ামুক্কী মনুংদা পেরুগী খ্বাইদগী শাথিবা সোসল প্রোটেষ্টশিংগী মনুং চন্না হন্দক্তা থোক্লকখিবা ইরাং অদুদা অয়াম্বনা সিভিলিয়নশিং ওইখিবা মীওই ৪০ হেন্না শিখিবদা হকথেংননা চেন্নরিবশিং অমদি নাকোয়ননা চেন্নরিবশিং খঙদোক্লবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী এর্টোনি জেনরেলনা ইনক্বারিশিং চথবা হৌখ্রবনি।

ইনৌনা কেপিটেল লিমাগী লম্বীশিংদা শগোলশেল নুমিত্তা দিমোন্সট্রেসন চথুখিবা মীওই লিশিং কয়ানা মীহাৎপা দিনা মফম থাদোকউ হায়না লাউবগা লোয়ননা মখোয়না লম্বীশিং অদুদা কার্দ বোটকী কৃশিং পুদুনা চৎখি।

# ব্রাজিলগী কেপিটেলদা থোকখিবা রাইওটশিংদা বোলসোনারোনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বদু থিজিলহল্লগনি

ব্রাজিলিয়া, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী কেপিটেল ব্রাজিলিয়াদা জনুৱারী ৮ দা থোকখিবা শাথিরবা রাইওটকী মতাংদা থিজিনবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট জের বোলসোনারোনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা অসিসু য়াওশিন্নবা ব্রাজিলিয়ন সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস অমনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ব্রাজিলিয়ন প্রোজিক্যুটরশিংনা হায়জরকখিবা অমা জষ্টিস অলেকজেন্দরি দে মোরাসনা য়াখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। প্রোজিক্যুটরশিংনা মখোয়গী রিক্বেজ অদুদা হান্নগী প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা জনুৱারী ১০ দা মহাক্কী ফেজবুক একাউন্টদা থাগৎখিবা ভোটর ফ্রোদ কন্সপিরেন্সি থিওরিশিংগী মচাক উৎপা ভিদিও অমা পনখি।

অদুম ওইনমক ভিদিও অদু মহাক্কী ফেজবুক একাউন্টদা থাগৎখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা দিলিট তৌখি। প্রোজিক্যুটরশিংগী মায়কৈদগী ভিদিও অদুনা মীয়ামগী লালহৌ লাকহনগদবা মওংদা ইনৌ নৌনা ইরাং শাগৎপদা মতেং পাঙগনি হায়না কোর্টতা আর্গুমেন্ট তৌখি।

ব্রাজিলগী ফার-রাইট হান্নগী প্রসিদেন্ট জের বোলসোনারোগী সপোর্টরশিংনা লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্ট অমসুং কংগ্রেস্নেল বিল্ডিংদা এটেক চথুখিবা মতুংদা প্রোজিক্যুটরশিংনা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টতা মেটর অদুবু থিজিন্নবা তকশিনখিবনি।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এন্টি-দিমোক্রেটিক প্রোটেষ্টশিংবু পুক্লিং থৌগৎখিবগীদমক জের বোলসোনারোগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবা ব্রাজিলগী ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা তকশিনখি।

ব্রাজিলিয়াদা লৈবা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী প্রোটেষ্ট অদু লোইশিনখিবনি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ব্রাজিলিয়াদা পব্লিক প্রোপর্টিশিংদা অমাঙ অতা থোকহনখিবা অমদি ভাইওলেন্স কয়া থোকহনখিবা এন্টি-দিমোক্রেটিক থৌওংশিং অদুগী ইন্টলেকচুএল ওথরশিপ অমদি লৌতুনবগীদমক্তা বোলসোনারোগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথুরগনি হায়না টোপ পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

থাসিগী ৮ দা বোলসোনারোগী সপোর্টর লিশিং কয়ানা কেপিটেল ব্রাজিলিয়াদা লৈবা সুপ্রিম কোর্ট, কংগ্রেস অমসুং প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলদা পাক শন্না রাইওটশিং থোরকখি।

# ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অনী হাৎখ্রে

রমালা, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিত্তা ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অনী হাৎখ্রে।

থৌদোক অদুবু উহৌবা কয়ানা মদু ইজরেল্লি আর্মিনা নাকল অনীগী মরক্তা ইরাং হেক হেক থোক্নবা টাউন অমগী মনাক্তা রেইদ চথুরুবদগী থোক্লকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্নি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীদা ইজরেলগী সিটি কয়াগী লম্বীশিংদা নোংমৈগী অমদি অতৈ এটেক কয়া চথুখিবা মতুংদা জেনিন অমদি থংনবা মফমশিংদা মিলিটরি কেম্পেইন কনখৎলকপা উখি। ইনৌ নৌনা ভাইওলেন্স হেনগৎলক্লিবা অদুনা কুমজা ২০১৪ দা লেপখিবা যুএসনা ৱাতেমদুনা চথুখিবা পিছ টোক্স অমুক হিংগৎহনবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা হেন্না মাঙহনখি।

উহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেল্লি ট্রুপশিংগা গনমেনশিংগা নোংঙাল্লমদাইদা খুৎ থোক্লখি। মদুদা মীওই অমা অশোক অপন নঙখি। অশোকপা মীওই অদু অতোপ্পা গনমেন অনীনা পুরগা মফম অদুদগী গাড়ীদা হাপ্লগা চৎখি।

মখোয়না অশোকপা অদু লোকেল রেসিদেন্টশিংদা শিন্নরবা মতুং মখা তানা গাড়ী থৌদুনা চেনখি।

অমরোমদা, ইজরেল্লি ট্রুপশিংনসু মখোয়বু তান্নবা লেপখিদে অমদি মমৈথংদা মখোয়বু নোংমৈনা কাপখি। আর্মিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা কার অদুদা তোংলিবশিং অদুনা ট্রুপশিংদা নোংমৈ কাপ্লকপদগী ট্রুপশিংনসু মখোয়দা নোংমৈ কাপখিবনি। খুৎ থোক্লবা অদুদা ইজরেল্লি লান্মীশিংগী মরক্তা মীশি মীনাশিং থোকখিদে।

থৌদোক অদুদা ৱাল অমদা থোমজিনখিবা গাড়ী অদুগী মনুংদা ঈ তৈরম্বা থেংনখি। ইজরেল অমসুং হামাসনা সিজ ফায়র পুরকপগী ৱাফম য়ানখিবগা লোয়ননা গাজাদা কুমজা ২০০৪ দা লান শোক্লখিবা মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ইজরেল্লি ফোর্সশিংগী এটেক ওইনা নুমিৎ ১১ নি চুপ্পা বোম অমদি মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা চথুরকখিবা মিলিটরি কেম্পেইন অদু লোইশিনখি।

লান অদুদা মীওই ২৪০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা ইরাং কল্লবা লমদম অদুগী ষ্টেবিলিটিদা চাওনা শোকহনবা য়াবগী অকিবা লাকখি। হন্দক্তা ইজরেল অমসুং হামাসকী মরক্তা ট্রুস অমা লাকহনখিবা খোঙথাং অদু মতম শাংনা মখোয়গী মরক্তা মিলিটরি ক্লাসশিং থোক্লকখিবা অদু য়েংলগা য়াম্না মরু ওইনা হায়না লৌনখি।

# কালিফোর্নিয়াদা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই ১৯ শিহনখ্রে, মখা তানা ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
নিংথম থাগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি নোংনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিং থোক্তুনা পুন্না মীওই ১৯ শিখিবগা লোয়ননা কালিফোর্নিয়াদা শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎশিং মখা তানা শিৎলকপগা লোয়ননা যুএসকী ষ্টেট অসিদা উন কন্না তারকখিগনি অমদি লেন্দস্লাইদনচিংবা মখা তানা থোক্লকখিগনি হায়না ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ষ্টেট ওফিসলশিংনা ষ্টেট অদুদা মখা তানা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদশিং থোক্তুনা পাক শন্না পৱার সপ্লাই লেপ্পগী ফিভম লাক্কনি হায়না মীয়ামদা খঙহনখি। ষ্টেট অসিগী তুরেল অয়াম্বা নোং কন্না চুবদগী রেকোর্দ ওইবা মওংদা ঈমায় চোন্নখি। মরু ওইবা টুরিষ্ট এট্রেক্সনশিং ওইরিবা নোর্দন কালিফোর্নিয়াগী কারমেল অমসুং কেবল বিচনচিংবা টাউনশিং অনকপা সালিনাজ তুরেলগী ঈশিং পাথোকপগী ফিভম লৈরবদি টুরিষ্টশিং চঙহন্দনবা খঙহনখি।

কালিফোর্নিয়াগী গভর্ণর ওফিস ওফ ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসেসকী দিরেক্তর নেন্সি ৱার্দকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি ঐখোয় হৌজিক সিজন অসিগী মহৌশাগী ওইবা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্লবা লোইখিরোইদৌরি।



হন্দক্কী নোংলৈ নুংশিৎশিং অসি ঐখোয়গী ষ্টেটকী অনৌবা পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা নেচরেল দিজ াষ্টরশিংগী মনুং চল্লি। ষ্টেট অসিগী সালিনাজ তুরেলগী ঈমায় ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা খুদোংথীবা থাক য়ৌখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা মীওই লিশিং ২৪ রোম শাফগদবা মফমশিংদা থুনা হোংদোকহনখি।

কালিফোর্নিয়াগী সেন্ট্রেল কোচকা নক্লবা মোন্টরি কাউন্টিগী মনুং চনবা লৌবুকশিং ঈশিং ঈচাওদগী ঙাকথোক্লবা লৌমীশিংনা লৌবুকশিংগী মপান খোমগৎখি।

নেসনেল ৱেদর সার্ভিসনা কালিফোর্নিয়া অমসুং পেসিফিক নোর্থ ৱেষ্টতা মখা তানা শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অনী শিৎলকখিগনি হায়না প্রিদিক্সন পীখ্রবনি।

রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োল অনীগী মতমদা ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা ৱেদর সিষ্টেম অনীনা শোকহনখি। পৱার আউটেস দোট যুএসকী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা পাক শন্না ঈশিং ঈচাও থোকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োলদা য়ুম অমসুং বিজিনেস ২২০,০০০ হেন্না মৈ ফঙদবগী প্রোব্লেম মায়োক্লখি।

খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ থোকপদগী লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাওনা অকায়বা থোকখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুনা ষ্টেট অসিগী পৱার গ্রিদতসু চৈথেং নঙদুনা কালিফোর্নিয়ন লিশিং কয়াগী ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই তৎখি।

নোং কন্না চুবদগী রেকোর্দ ওইবা মওংদা কালিফোর্নিয়াদা থোক্লিবা ঈকংগী ফিভম খরমখৈ কোকহল্লে হায়বা য়ারবসু মদু মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়বদি য়াদে হায়না যুএস দ্রাউট মোনিটরনা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসি হৌজিক য়াম্না শাথিবা ঈকংগী ফিভম লৈরি হায়না লৌনদ্রবসু ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদি হৌজিকসু ময়াই ওইরপ্পা নত্ত্রগা কা হেনবা ঈকংগী ফিভমশিং লৈরি হায়রি।

# ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক আই এ ই এনা যুক্রেনদা সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি এক্সপার্টশিং হেন্না থারগনি



জিনিভা, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
হৌজিক চথরিবা রসিয়া-যুক্রেনগী লান মনুংদা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোরকপা থিংবদা মতেং ওইনবা এক্সপার্টশিং মখা তানা থাজিল্লগনি হায়না ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না লাউথোকখ্রে।

আই এ ই এগী দিরেক্তর জেনরেল রাফিল গ্রোসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি যুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার ফেসিলিটি পুম্নমক্তা ন্যুক্লিয়র সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি এক্সপার্টশিং লেপ্তুনা লৈহন্নবগীদমক্তা মহাক্না মথং চয়োলদা যুক্রেনদা খোঙচৎ অমা চৎলগনি। মসি হৌজিক্কী য়াম্না লুরবা অমদি শীংনবা চাওনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা যুক্রেনগী মতেং পাঙননবা ঐখোয়না পায়খৎলিবা থবক্তা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি।

ঐখোয়গী ন্যুক্লিয়র সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি এক্সপার্টশিংনা প্লান্টশিং অদুগী ফিভম মোনিটর তৌগনি, মখোয়গী ইক্বিপমেন্ট অমদি অতৈ মথৌ তাবশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা টেক্নিকেল সপোর্ট অমসুং এদভাইস পীগনি অমদি মখোয়গী ফাইন্দিংশিং আই এ ই এ হেদ ক্বার্টর্সতা রিপোর্ট তৌগনি।

যুএন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক অসিনা মমাঙদা যুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা অসিগুম্বা ফেসিলিটি ওইরিবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (এন পি পি) দা তুং কোইনা লৈহন্নবগীদমক্তা এক্সপার্ট মরি থমখ্রবনি। হৌখিবা চহীগী মার্চতগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরকখিবা জাপোরিজিয়া এন পি পিদা এটেকশিং চথৈ হায়না যুক্রেন অমসুং রসিয়ানা অমগা অমগা মরাল শীন্নখিবনি।

গ্রোসিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না মথং চয়োলদা কিভতা যুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টগী সেনিয়র ওফিসলশিংগা উন্নদুনা জাপোরিজিয়া এন পি পিগী অকোয়বদা ন্যুক্লিয়র সেফতি জোন অমা লিংবগী ৱাফম খন্নগনি। ঐহাক্না য়ারিমখৈ থুনা য়াম্না মথৌ তারিবা প্রোটেক্সন জোন অদু শোয়দনা লৈহন্নবগী থৌরাংশিং পন্থবা তৌদনা লৌখৎলগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা যুক্রেন অমসুং রসিয়াগা তাথোক তাশিন তৌবদা খুমাঙ চাওশিল্লি। ইস্যু অসিগী মতাংদা য়াম্না থুনা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না গ্রোসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অরুবা ফিভম কয়া লৈদুনসু জমর্নিগী জি দি পি কুমজা ২০২২ দা চাদা ১.৯ হেনগৎখি

বর্লিন, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
জমর্নিগী কুমজা ২০২২ গী প্রাইস এদজষ্ট তৌখিবা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) মমাঙগী চহীদগী চাদা ১.৯ হেনগৎখি হায়বসি ফেদরেল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিস (দেষ্টাটিষ্ট) না ফোঙবা প্রিলিমিনরি ফিগর্সনা উৎখ্রে।

দেষ্টাটিষ্টকী প্রসিদেন্ট রুদ ব্রান্দনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হৌজিক চথরিবা রসিয়া-যুক্রেন লান, ইনর্জিগী মমলশিং হেনগৎলকপা, দেলিভরিগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া লৈবা অমদি কোভিদ ১৯ পেন্দামিক লেপ্তুবগুম্বা অরুবা খুদোংচাদবা ফিভম কয়া লৈদুনসু জমর্নিগী ইকনোমি নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমখি।

ইন্দিভিজুয়েল সেক্টরশিংগী দিভলপমেন্টদা খেন্নবা ফিভমশিং উবা ফংখি। কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা অথিংবা পুম্নমক লৌথোকখিবা মতুংদা লাকখিবা কেটচ-অপ ইফেক্টশিংদগী শেন্দোং চাওনা লৌবা ঙমখিবা ট্রান্সপোর্ট অমসুং হোস্পিটালিটি সেক্টরশিংগুম্বা নত্তবা অতৈ সার্ভিস ব্রাঞ্চশিংগী ট্রেদ সেক্টরদা গ্রোস ভেল্যু হাপচিনবগী চাং হন্থখি। ক্রিএটিব অমসুং ইন্টরটেন্টমেন্ট ইন্দষ্ট্রিশিংগী গ্রোৎ শীংথানিংঙাই ওইনা চাদা ৬.৩ য়ৌখি।



কৈল ইন্সটিট্যুট ফোর ড ৱার্ল্ড ইকনোমিগী বিজিনেস সাইকলস এন্দ গ্রোৎ রিছার্স সেন্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং দিরেক্তর ষ্টেফান কুঠনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চহীদা জি দি পিদা শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলকপা উরিবা অসিনা মরম ওইরগা ক্রাইসিস কয়ানা মাঙহল্লিবশিং অদুবু খন্নদবদি তৌরোইদবনি। ইনর্জিগী মমল কা হেন্না ৱাংলকপা অমদি সপ্লাইগী থবকশিংদা লেপ্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখিবা নৎলমদ্রবদি ইকনোমিক আউটপুট হৌজিক উরিবা অসিদগী শরুক অনী হেনগৎলমগনি হায়না কুঠনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২৩ গী ওইনা জমর্নিদা রিসেসন লাক্কনি হায়বগী অকিবা লৈতবা তারবদি লৈবাক অসিগী জি দি পি চাদা ০.৩ হেনগৎলক্কনি হায়না ইন্সটিট্যুট অসিনা থাজরি।

# দিপ্লোমেটিক মরী থম্নখিবা মতুংদা য়ুননা য়ু এ ইদা চৎপা সাউথ কোরিয়াগী অহানবা লিদর ওইরগনি



সিওল, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
কুমজা ১৯৮০ দা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই) গী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী লিংখৎখিবদগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক য়িওলনা য়ু এ ইদা থাংজ নুমিত্তা অবু দাবিদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাক য়ু এ ইদা চৎপা অহানবা সাউথ কোরিয়ন লিদর ওইরগনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মহাক্কী নুমিৎ মরিনিগী ওইবা খোঙচৎ অদু সাউথ কোরিয়াগী ইনর্জি অমসুং খুৎলায় এক্সপোর্টশিং প্রমোট তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা অমগা অমগা খোঙচৎ কয়া পাঙথোক্লবগী শরুক অমনি।

খোঙচৎ অদুদা য়ুননা য়ু এ ইগী প্রসিদেন্ট মোহমদ বিন জায়দ অল নহায়ন উন্নগনি অমদি সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি কন্টিঞ্জেন্ট অমা ওইরিবা অপ য়ুনিট অমদি সাউথ কোরিয়ানা শাবা বরাকা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টতা চৎতুনা য়েংশিনগনি। মসি মহাক্না মমাঙদা লৈরম্বা প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগী ন্যুক্লিয়র পোলিসিগী ওন্ন-তৈনবদা হিরম অসিদা সাউথ কোরিয়াসু খুমাঙ চাওশিলহল্লগনি হায়বা মহাক্কী মীৎয়েং অদুগী সিম্বোলিক ওইবা খোঙথাংনি হায়না লৌনরি। লৈবাক অনীগী মরক্তা গভর্ণমেন্টশিং অমসুং প্রাইভেট সেক্তর চেন্নবা ইনর্জি, খুৎলায় অমসুং লম কয়াদা ইনভেষ্ট তৌবগী ৱাফমশিং য়াওবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং ২০ রোম খুৎয়েক পীনবা য়াগদবা মওংদা লৈখ্রবনি।

সিনিয়র প্রসিদেন্সিএল ওফিস অমনা ফোঙদোকখিবদা সাউথ কোরিয়াগী খুৎলায়শিং য়ু এ ইদা এক্সপোর্ট তৌনবগী দিল অমা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এ ইগী মরক্তা খুৎলায় ইন্দষ্ট্রিগী লমদা কো ওপরেসন পীনবগী মতম চপ চারে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ুননা খোঙচৎ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী কম্পেনি ১০০ গী ওফিসলশিংগী ওইবা বিজিনেস দেলিগেসন অমসু লোইনগনি। কম্পেনিশিং অসিনা য়ু এ ইদা মখোয়গী থবকশিং এক্সপান তৌনবগী ৱাফম অমদি অতৈ হিরমশিংদা কো ওপরেসন পীনবগী ৱাফম খন্নগনি হায়রি।

# ব্লেক সী গ্রেন দিলনা চিঞ্জাক্কী মমল হন্থহনবা য়াওনা অহোংবা কয়া লাকহল্লে: যুএন ওফিসল

যুএন, জনুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
ব্লেক সীগী পোর্টশিং হৱাই চেঙৱাইশিং অমসুং ফর্টিলাইজর এক্সপোর্ট তৌবগী দিলনা মালেমগী চিঞ্জাক্কী মমল হন্থহনবা য়াওনা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অহোংবা কয়া লাকহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

যুএন অন্দর সেক্রেটরি জেনরেল ফোর পোলিটিকেল এন্দ পিছ বিল্ডিং এফিয়র্স রোজ মেরি দি কার্লোনা যুক্রেনগী মতাংদা পাঙথোকপা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমদা হায়খি, মদুদি রসিয়া-যুক্রেন কনফ্লিক্ট চহী ফাগদবা কুইরক্তবগা লোয়ননা লান অদুগা লোয়ননা অৱা অনাশিং লোইশিনবা য়াবগী ফিভম উবা ফঙদ্রি। অচৌবা শীংনবগী ফিভম অসি লৈদুনসু ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিবনা মালেমগী চিঞ্জাক্কী মমলশিং হন্থহনবদা মতেং পাঙবা য়াওনা মখা তানা অহোংবা লাকহনবা উরি।

ফুদ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফুদ প্রাইজ ইন্দেক্সতা লেপ্তুনা হন্থরক্লি। কুমজা ২০২২ গী জুলাই ২২ দা রসিয়া অমসুং যুক্রেননা লৈবাক অনী অসিদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি ফর্টিলাইজর এক্সপোর্ট তৌবা য়াহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকা লোয়ননা ষ্টানবুলদা দোক্যুমেন্ট অমা তোঙান তোঙাননা খুৎয়েক পীনখি।

রসিয়া-যুক্রেনগী লান মরক্তা মালেমগী কৈথেলশিংদা চিঞ্জাক অমদি ফর্টিলাইজর ফঙহন্নবগীদমক্তা দোক্যুমেন্ট অদু লান শোক্লরিবা নাকল অনীমক্না খুৎয়েক পীখিবনি। হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ১৯ দা মতম লোইগদবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিব অদু মখা তানা নুমিৎ ১২০ নি অমুক শাংদোকখি।

দি কার্লোনা হায়খি, মদুদি দিল অদুগী মখাদা চিঞ্জাক মেট্রিক টন মিলিয়ন ১৭ হেন্না ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী হোন্দুনা মালেমগী লৈবাক ৪৩ দা য়ৌহনখ্রে নত্ত্রগা লৈবাকশিং অদুদা য়ৌহন্নবগী খোঙচৎতা লৈরি। অপুনবা চিঞ্জাকশিং অদুগী মনুংদা চাদা ২০ রোমদি ৱার্ল্ড বেঙ্কনা লৱার ইনকম নত্ত্রগা লৱার-মিদ্দল-ইনকম ইকনোমিশিংনি হায়না লেপখ্রবা লৈবাকশিংগীদমক্তনি।